# ইকং থোক্লে লাওথোক্লবা হোৎনবদা সরকার উপাই লৈত্রে তুরেলদগী ঈশিং চিংখৎলগা লৌ উহন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল, জুলাই ২৩ঃ*** চহীসিগী ওইনা নোং চুবগী চাং লিক্লবসু চাদা ৬৩ য়ৌনা নোং তাখিবনা সরকারনা মণিপুরদা ইকং থোক্লে হায়না লাওথোকপা ঙম্বগী শক্তি লৈত্রে। মদুগী মহুৎতা অতোপ্পা খোঙথাং অমা ওইনা নোং তাদবদগী লৌ পানবা য়াদনা লৈরিবা লৌবুকশিং মমাংগী কেবিনেটনা লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না মিনিষ্টরশিংগী ওইবা স্পেসিয়েল টিমনা য়েংশিল্লবা মতুং পীখৎলকখিবা কেবিনেট সব-কম্মিটিগী রিপোর্টশিং অদু ঙসি খন্নরবা মতুং তুরেলদগী ঈশিং চিংখৎলগা লৌ উহন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে।

ঙসি ফমখিবা মণিপুর সরকারগী কেবিনেট মীফম অদুনা কেবিনেট সব-কম্মিটিগী মায়কৈদগী থাংগৎলকপা ষ্টেট অসিগী ইকং থোকপা মানবা ফিভমশিং অদু রিভিউ তৌবগী রিপোর্টশিং অদু কুপ্পা খন্নখি। লোয়ননা মদু খন্নরবা মতুংদা মাইনর ইরিগেসন দিপার্টমেন টনা রিভর লিফ্ট ইরিগেসন (আরএলআই) ষ্টেসন পুম্নমক ইকংগী ফিভম অসি লৈরিবমখৈ দরকার ওইবা থাউ/ দিজল পীদুনা মথৌ তৌহনবা, এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা ঈশিং লৌফম লৈতবা অমসুং আরএলআইগী পম্প সেটশিংনা ঈথৈগী খুদোংচাবা ফংহনবা ঙমদবা লৌফমশিং মশক খঙদোকপা, ইকংনা অমাং-অতা থোকহল্লবশিং অদুগী হিসাব অমা দিপার্টমেন্ট অসিনা পুথোক্তুনা রবি মহে-মরোং নত্রগা অতোপ্প চানবা পান্থৈশিংগী খুখাংদা মতিক চাবা তেংবাংশিং ফংহন্নবগী থৌরাংশিং অদু য়াওরবা প্রপোজেল অমা শেম শাগদবনি অমসুং ষ্টেট অসিদা হেক অঙন্না থাক্তা ঈথৈ-লৌখোং অমদি মরী লৈনবা মতেংশিং পীবা ঙম্নবগীদমক এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা ষ্টেট অমসুং লোকেল লেভেল অনিমক্তা দিপার্টমেন্ট অতৈগা খুৎশম্নদুনা থবক পাঙথোকপা হায়না ৱারেপ লৌখি। ইকংগী ফিভম অসি কেবিনেটনা মথংগী চয়োলদা অমুক হন্না রিভিউ তৌবা হায়নসু ঙসিগী মীফম অদুনা ৱারেপ লৌখি হায়রি।

পনবা য়াবদি ইকং থোক্তুনা লৌ পানবা য়াদ্রিবা অসিগী মতাংদা কেবিনেটনা লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী ওইনা কর্ম্মস এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজম অমসুং আইএফসিদি মিনিষ্টর ঙমথং হাওকিপ, থৌবাল দিষ্ট্রিক্তকী ওইনা কঞ্জুমরস এফিয়ার্স ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসনগী মিনিষ্টর এম ওকেন অমসুং আরদিএন্দ পিআর মিনিষ্টর ফ্রান্সিস ঙাজোকপা, ইম্ফাল ৱেষ্টকী সোসিয়েল ৱেলফেয়ার মিনিষ্টর একে মীরাবাই অমসুং ৱার্ক্স মিনিষ্টর ডাঃকেঐচ রতনকুমর অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী ওইনা স্পিকর থোকচোম লোকেশ্বর অমসুং পিঐচইদি আই হেমোচন্দ্রনা লুচিংবা মিনিষ্টরশিংগী স্পেসিয়েল টিমশিং অসিনা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিংগা লোয়ননা য়েংশিল্লবা মতুং মদুগী রিপোর্টশিং অদু ঙসি কেবিনেটনা খন্নরগা অনৌবা খোঙথাং অসি পায়খৎলকপনি।